INTEX
WASHING MACHINE
6.2 KG = ₹ 7800
7.2 KG = ₹ 9000
8KG = ₹ 10200
7KG SPL. GODREJ = ₹ 10500
7.5KG SPL. GODREJ = ₹ 11500
REFRIGERATOR
181 L GODREJ = ₹ 10600
190 LT SAMSUNG = ₹ 11400
190 LT 3 STAR Godz = ₹ 12800
200 LTR 3 STAR = ₹ 13000
INTEX LED (3 YRS WARRANTY)
32' LED (3225) 3YRS = ₹ 11000
32' LED (3220) 1YR = ₹ 10500
40' LED + TATA SKY = ₹ 20500
50' LED + TATA SKY = ₹ 30500
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP

ꯅꯍꯥꯔꯣꯜꯒꯤ ꯊꯧꯗꯥꯡ

নহারোলগী থৌদাং

A newspaper dedicated to the cause of Human Rights

SAMSUNG OFFER
SAMSUNG 40' LED
SAMSUNG REFRIG 2/3 STAR 190 LT.
SAMSUNG 7.2/6.5 KG WASHER
TATA SKY FREE
₹ 50,990/-
SAMSUNG 43' LED
SAMSUNG REFRIG 2/3 STAR 190 LT.
SAMSUNG 7.2/6.5 KG WASHER
FREE ₹2499
₹ 53,999/-
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTTL.
SARAJEEVAN ENT. PAONA BZ. IMP.

সিএমনা চেয়ার লৌদুনা দিপার্টমেন্ট ওফ মাইনোরিটি এফেয়ার্স এন্দ দিপার্টমেন্ট ওফ ৱেলফেয়ার ওফ ওবিসি এন্দ এসসিগী পাংথোকখিবা ৱার্ক এদভাইজর কম্মিটিগী মীফম

লাঙ্গোলদা লৈবা এনআইটিদা নুমিৎ নিনি চুপ্পা 'ইনোভেসন, ইনকুভেসন এন্দ ষ্টার্ট অপ ৱিথ আই পি আর পোজিব্লিটি' গী মতাংদা পাংথোকপা ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরম

২৫ শুবা চহি, ইশু ১১৪ www.naharolgithoudang.in ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১, ২০১৯ ইং, লাংবনগী ১৩নি পানবা, য়ুমশকৈশ RNI 66117/96 Postel Regd. No. MNP মমল লুপা ৩.৬০

অতেনবা পাউ

দ্রাইভরশিংগী অৱাবা সরকারনা খঙবিয়ু

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ এলপিজি বুল্লেট গারিশিংগী দ্রাইভরশিংনা হৌজিক মখোয়গী হিংবগী হক মাঙহনবিগনু হায়দুনা গারি চেনবা লেপ্তুনা থেংনরিবা অৱাবা অসি কোকহন্নবা মণিপুর সরকারনা অকনবা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়না ওল মণিপুর রোদ ত্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱার্করস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি মাইমোম অনিল মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মতম শাংনা মণিপুর মীয়ামগী তঙাইফদনা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম অমা ওইরিবা এলপিজি গ্যাস বুল্লেট গারিশিংবু থৌদুনা সেকমাই বোট্লিং প্লান্ট তন্না গ্যাস চিংবগী থবক তৌদুনা লাক্লিবা এলপিজি বুল্লেট গারি ৮০ রোমগী দ্রাইভর অমসুং হেন্দিমেনশিংনা চহী অমরোম হেন্না গ্যাস চিংদনা লাক্লিবা অসিদা মণিপুর সরকারনা ঙসি ফাওবদা মীৎয়েং নিংথিনা চংবিদবা অসি লাইবক থিবনি।

ইন্দিয়ান ওইল কোর্পোরেসন (আইওসি) না ঙসি ফাওবদা গ্যাস বুল্লেট গারি থৌদুনা লাকপা দ্রাইভর কয়াগী হিংবগী হক মৎপিদুনা দ্রাইভর অমসুং হেন্দিমেন কয়াদা অৱাবা পোৎলুম পীরিবা অসি খুদক্তা লেপকদবনি। দ্রাইভর য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী আইওসিদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা দ্রাইভরশিংগী ফংফম থোকপা হক মাঙহনবিগনু হায়না খঙহনখিবসু লৈখ্রে। অথুবা মতমদা মণিপুর সরকার অমসুং আইওসি অনিনা হৌজিক গ্যাস বুল্লেট টেঙ্কর গারিগী দ্রাইভরশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অসি কোকহনবিয়ু হায়না চেরোল অসিনা হায়রি।

এক্সিদেন্টতা শিরে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ঃ ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী শাপরমৈন্য পুলিস ষ্টেসন ময়াদা ত্রকনা থোন্বদা মোটোর সাইকল থৌদুনা লাকপা মীওই অমা শিরে। মমিংনা জাংখোলিয়ন হাওলাই কৌই। সাইকুলগী শৈজাং ভিল্লেজতগীনি। লৈখিদ্রবা মীওই অসি শাপরমৈন্য এসবিআই এটিএমদগী মহাক্কী মমা নাবগী শেল লৌথোকপা লাকপদা টাটা গাড়ী অদুনা থোন্বদগী লৈখিদবনি হায়রি।

ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ঃ ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবা চোংথাম পুনিপচন্দ্র কৌবা অমগী য়ুমদা হৌখিবা তাং ৮ দা শকখঙদবশিংনা বোম লংশিল্লম্বা থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি লৈকায় অদুদা লৈবা ইরৈ লৈমা সেবা এসোসিয়েসনগী হোলদা লৈকায়গী মৈরা পাইবী, ক্লবকী মেম্বরশিং অমসুং মীয়ান্না ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

খোংজং অদুগা মরি লৈননা ক্বাকৈথেল ইরৈ লৈমা মৈরা পাইবীগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোবিতানা বোম অদু কনানা করিগীদমক্তা পোকখায়হল্লম্বনো হায়বদু অথুবদা শেংদোক্লবা দাবী তৌখ্রে।

চান্দিঘরদা থবক পীগনি হায়না মোইথেম তৌদুনা পুরগা কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌনবা হোৎনরম্বা নুপী ১ ফারে

চান্দিগর, সেপ্টেম্বর ১০ঃ মণিপুরদগী চহি ২৬ রোম শুরবা নুপী অমা চান্দিঘরদা থবক পীগনি হায়না মোইথেম তৌদুনা পুরগা কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌনবা হোৎনরম্বদা চেন্নবা অবেম কৌবী নুপী অমা ফারে। এক্যুজ মশামক অসি থা ৮ রোমগী মমাংদা দিল্লিদা মহাক মশামক্না কিদনি দোনেট তৌখ্রবা মীশক অমনি হায়রি।

পাউগী সোর্স অসিনা মখা তানা হায়রিবনা কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌনবা হোৎনরম্বদগী ফারবা অবেম হায়রিবা নুপী অসি কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট রেক্কেটকী প্রাইম সস্পেক্ট নি চিংনরিবা থোবা অমসুং সুরজিৎ কৌবা মীওই অনিদগী মমাংদা লুপা লাখ ২.৫০ ফংখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌনবগীদমক দোনরশিং এরেঞ্জ তৌরগা ইরাই লায়না পৈশা তানবা য়াই হায়না খন্দুনা অসিগুম্বা থবক অসিদা খোংদারকখিবনি।

হন্দক্তা ইকুই কুইদনা অবেম হায়রিবা নুপী অসিনা গেং অসিগী কিংপিন কন্টেক্ট তৌদুনা মহাক্না কিদনি দোনর অমা এরেঞ্জ তৌরে। অবেম মশানা মহাক্কী কিদনি দোনেট তৌখ্রবা মতুংদা মঙোন্দা হেল্থকী প্রোব্লেম লৈতে, মহাক মশা মউ ফন্না লৈরি হায়না খঙখি। মসিনা মরম ওইরগা মহাক্না কিদনি দোনর কয়া এরেঞ্জ তৌরগা ইরাই লায়না শেল তান্নবা ফিরেপ লৌখি।

মসিনা মরম ওইরগা অবেম হায়রিবা নুপী অসিনা থোই দেবী কৌবা ভিক্তিম অমা চান্দিগরদা থবক পীগনি হায়না পুরগা লাকখি। লোয়ননা অবেম অমসুং মহাক্না মমাংদা কিদনি য়োনখিবগী শেল ফংখিবা রেক্কেট অসিগী প্রাইম সস্পেক্ট নি চিংনরিবা থোবাগা লোয়ননা ভিক্তিম অসিদগী কিদনি অদু মণিপুরদগী বিমল কৌবা অমদা ত্রান্সপ্লান্ট তৌনবা থৌরাং তৌখি। লোয়ননা থৌরাং অদু মায় পাক্ল বগীদমক্তা এক্যুজশিং অসিনা থোই অসি বিমলগী লোয়নবীনি হায়না শাশিন্নবা আধার কার্দ অমসু শেমখি।

মসিগী মতুং তারকপদা কিংপিন অসিনা কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌগদৌরিবা বিমলদগী এদভান্স ওইনা লুপা লাখ ২ পীনবা দিমান্দ তৌখি। লোয়ননা কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌরবা মতুংদা লুপা লাখ ২.৫০ অমগসু হাপ্পনবা খঙহনখি। অদুবু সিটি অদুদা কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌথোক তৌশিন তৌবা রেক্কেট অমা লৈরে হায়বা খঙলকপদগী মদুবু তকখায়খিবদগী খুদক্তা থোবা হায়রিবা মীওই অসি মফম অদু থাদোক্তুনা চেনখি। মখা তানা পুলিসকী মায়কৈদগী পিজিআই হোস্পিটালদা লৈরিবা মণিপুর রেসিদেন্টশিং অদুগী রেকোর্দশিং ভেরিফাই তৌনবা হোৎনরি।

পুলিসকী মায়কৈদগী হৌখিবা চহি ২ রোমগী মমাংদগী হৌনা পিজিআইদা লাক্তুনা কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌরবা মীওইশিং অদুগী রেকোর্দশিং চেক তৌগদৌরি। লোয়ননা কিদনি দোনরশিং অদু কিদনি রিসিপেন্টশিং অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইরা নৎত্রব্রা হায়বদু চেক তৌগদৌরি।

পুলিসনা কিদনি লৌথোক্লবা হোৎনরম্লবা ভিক্তিম অদু অশোয় অঙাম থোক্তনবা থিল্লক্কদৌরি। পুলিসশিং অদুনা মণিপুরগী খোংচৎ অসিগী মনুংদা কিংপিনশিং অদুগী লৈফমশিং অমসুং কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌখ্রবশিং অদু অশেংবা কেসশিং ওইব্রা নৎত্রগা শাশিন্নবা ওইব্রা হায়বদু চেক তৌগদৌরি।

অরিবম রতনকুমার কৌবা মীওই অমনা কিদনি লল্লোললিবা অবেম অমসুং ভিক্তিম অদুগী লৈফম চাফমনচিংবা থৌরাং তৌখি। মহাক মশামকসু হৌখিবা চহি ২০১৩ দা চান্দিগরদা নুপী অমদা লুপা লাখ ৫ পীরগা কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌখ্রবা মীশকনি। মতম অদুদগী হৌনা রতনকুমার অসি সিটি অদুদা লৈদুনা অদুগুম্বা মীওইশিং অমসুং মণিপুরদগী লাকপা মহৈরোয়শিংগী লৈফম চাফমশিং পীরগা *(মখা লাঃ ৪দা)*

গভর্নর এৱার্দ অমসুং সনাতোম্বী এৱার্দ য়েঙ্থোকখ্রে এদুকেসন অসি ইন্দষ্ট্রি ওইনা উন্নরকপা অফবা নত্তে

ডাঃ আর কে রঞ্জন

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ঃ হৌজিক চৎনবী অমা ওইনা চথরক্লিবা প্রাইভেট টুইসন অমসুং কোচিং অসিনা এদুকেসন অসি শেন্দোং খ্বাইদগী হেন্না ফংবা ইন্দিষ্ট্রি অমা ওইনা উন্নরকপা অসি অফবা নত্তে। মসিনা খুন্নাই অসিবু নোলেজ বেজ অমা সোসাইটি অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা অপনবা ওইরক্কনি হায়না ঙসি পাঙ্গৈদা লৈবা আরকে সনাতোম্বি দেবী ভিদ্যলয়াদা পাংথোকখিবা গভর্নর এৱার্দ ২০১৯ অমসুং রাজুকমারি সনাতোম্বী দেবী এৱার্দ ২০১৯ খনগৎলবা মীওইশিংদা য়েঙ্থোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা লোক সভাগী এমপি ডাঃ আরকে রঞ্জননা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, খুন্নাই অসি হেন্না মশক থোকপা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগীদমক্তা নুপীশিংদা এদুকেসন মপুং ফানা ফগৎনবা হোৎনবা চংই। ঙল্লিঙৈ মতমদা অহল-লমনশিংনা স্কুল মরাং কাইনা লৈতবা মতম অদুদা ৱাখল শেংনা হিরম খুদিংমক্তা খনবা ঙম্লগা ঙসি স্কুলনা শৌ শারবা মতম অসিদা মহৈরোইশিংনা নিংথিনা ৱাখল শেংনা খনবা ঙমদ্রিবনো হায়বসি করিদগীনো হায়বা নৈনফম থোকপনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী ইকোনোমি অসি ত্রাইলন ৫ য়ৌহন্নবা চংশিল্লক্লিবা খোংথাং অসিদা ঐখোয় পুন্নমক্কী থৌদাং য়ান্না চাওই। মপাল লৈবাকশিংদা মহৈ-মশিং তম্বা চৎলিবা মীওইশিংবু খ্বাইদগী হেন্না লাইরিক-লাইশু হৈবা ওইনা লৌনবা অসি লাইবক থিবনি। ইন্দিয়া অসি মালেমগী লৈবাক কয়াদগী লাকপা মীওই কয়ানা ইহান হান্না য়ুনিভর্সিটিগী মঙাল ফংলিবা লৈবাক অমনি হায়বসি কাওথোকপা চুস্লোই।

মতম অমগী অহলশিংনা অকক্লবা পান্দম অমগী মখাদা অশানবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা নোলেজ বেজ সোসাইটি শেম্না ঙম্লবা অসিগুম্বা ইন্সটিট্যুট কয়া অমা লিংখৎলম্বসি য়ান্না পুক্লিং থৌগৎনিংঙাইহনি। মীওইবনা লৈকুৎ লৈরাইদা, শুরুংদা লৈরম্মি। মতমদুদা অফং-অফংবা থিদুনা শেংনদুনা চারম্মি। মদুগী তুংদা তপ্না তপ্না সেনচুরি কয়া লাক্তুনা নেচরগা মীওইবগা মরী লৈনদুনা পীরকপা এক্সপরিয়েন্সশিংনা মৈ-ঈশিং শিজিন্নবা হৈরকই। লৌউ-শিংউবগী থবক হৈরকই। মতম অদুদা মৈ শিজিন্নবা হৈবদু মপাঙ্গল কনবা অদুগা লৌশিং তৌদুনা পোখোক হেন্না পুথোক্তুনা ইনাক খুনবা মীওই ওইনা লৌনরম্মি। মদুদগী ইন্দষ্ট্রিয়েল রিভোলুসন লাকখি। লোয়ননা ঙসি নোলেজ বেজ সোসাইটি অমদা চংশিল্লক্লিবনি। মসিগী মথক্তা টেক্নোলোজি কয়া এদভাঞ্চ ওইনা মাং লোমদা চংশিল্লক্লি। মতম অমদা য়ুমগী অহল-লমনশিংনা এদুকেসন হায়বসি মখোয়বু তাকপি তম্বিরম্বদুনা ওইরম্মি। অদুবু হৌজিক্না এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসনশিংনা তারগা শেন্নকপনা মচা-মশুশিং মতিক চাবা মীওই অমমম ওইহন্নবা হোৎনবদা মমা-মপা অমসুং এদুকেসন ইন্সটিট্যুটশিংগী চাওরবা থৌদাং লৈ হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা চহী অসিগী ওইনা গভর্নর এৱার্দনা আরকে সনাতোম্বী দেবী ভিদ্যলয়াদা হাওতল পাঙ্গৈগী এলেভেন ক্লাস সাইন্সকী মহৈরোই খোংবানতাবম অনকিতা শর্ম্মদা খুৎশিন্নখি। গভর্নর এৱার্দ অসি স্কুলগী মহৈরোইশিং পুক্লিং থৌগৎনবগীদমক্তা ইং ১৯৯৮ তা লিংখৎখিবনি। *(মখা লাঃ ৪দা)*

বেবিসনা মীশি থিগৎহন্নবা সিএমগা য়ান্নখিবশিং মীরায়বিরেঃ জেএসি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ঃ হৌখিবা তাং ৫ দা মহৈরোয় বেবিসনা মীশিগী অশেংবা লংলা লংজিন সিবিআইদা শিন্নদুনা থিগৎহন্নবা জেএসিগা চিফ মিনিষ্টরগা য়ান্নখিবশিং অদু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্তনা থম্বিরে হায়না ঙসি থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লবকী ওফিসতা পাংথোকখিবা জেএসিগী কনভেনর এল গ্যানেশ্বরিনা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা হৌখিবা তাং ৫ দা চিফ মিনিষ্টরনা জেএসিগী মীওইশিং কৌদুনা ৱারি শান্নখিবা অদুদা মীশি অসিগী অশেংবা লংলা লংজিল মরিক চুম্না থিগৎহন্নবা সিবিআইদা কেস অসি শিন্নবা অমসুং ফাজিনখিবা জেএসিগী মীওইশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকপা হায়না য়ান্নখিবনি। নুমিৎতুগী ৱারি শান্নখিবা অদুদা চিফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী থা অসিগী ৯ দা গুৱাহাটিদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী লুচিংবশিংগী মীফম অমা পাংথোক্কনি। মীফম অদুদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সাহগা হিরম অসিগী মতাংদা ৱারি শান্নরগনি হায়না ফোংদোকখিবনি। অদুবু হিরম অসিগী মতাংদা তশেংনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগা তশেংনা ৱারি শান্নরকখিব্রা নৎত্রগা শান্নরকখিদ্রবা হায়বদু মেদিয়া হাওসশিংগী পাউদা ফোংদোক্তবনা ময়েক শেংনা খংবা ঙমদ্রে। মসিগী মহুৎতা সরকার মনুংগী পোলিটিকেলগী ওইবা ইসু খরদা ৱারি শাখিবগী ৱাফমশিং ফোংনরকপা অসিনা জেএসিনা নুংঙাইতবা ফাওই।

বেবিসনা মীশিগী কেস অসি সিবিআইদা থিগৎহন্নবগীদমক লৈখিদ্রবী নুপী মচা অসিগী ইমুং মনুংগী মথৌ তাবা ষ্টেটমেন্টশিং মেজেষ্ট্রেটকী খুখাংদা লৌগদবদু ঙসি ফাওবা লৌদনা লাক্লি। ৱারি শান্নবা অদুদা মণিপুর পুলিসকী *(মখা লমায় ৪দা)*

অফবা সমাজ অমা ওইনবা লাইরিক লাইশু হৈবা চংই

ঃ এম নরা

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ ঐখোয় মীওইবনা লাইরিক লাইশুদগী গ্যান লৌশিং কয়া অমা ফংবা ঙম্লিবনি। মরম অদুনা ইংনা চিন্না লৈবা সোসাইটি অমা ওইনবা হোৎনবদা লাইরিক লাইশু হৈবা চংই হায়না ঙসি ইম্ফালগী জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা লৈখিদ্রবা ডাঃ হুইরোংবম অটুলচন্দ্র সিংহগী ইমুং মনুং অমসুং স্কুল অসিমক্কী ওথোরিটিনা পুন্না শিল্লগা পাংথোকখিবা নোংমগী ওইবা পাব্লিক এৱার্নেস প্রোগ্রাম ওন ইষ্টাব্লিসিং পাব্লিক লাইব্রেরি ইন মণিপুরগী থৌরমদা চিফ গেষ্ট ওইখিবা এক্স মিনিষ্টর মোইরাংথেম নরানা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা হৌজিক অসি টেক্নোলোজিগী মতম ওইরবসু পাব্লিক লাইব্রেরিশিং নিংথিনা শেমগৎ শাগৎপা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই। লমদম অসিদা লৈরিবা মহৈ লোয়শঙশিংদসু লাইব্রেরি মতিক চানা লৈহনগদবনি। লৈখিদ্রবা ডাঃ হুইরোংবম অটুলচন্দ্র অসি ১৮৯৭ গী সেপ্টেম্বর ১০ দা ইম্ফালগী নাওরেম লৈকায়দা পোকখিবনি। লোয়ননা ১৯৩৭ দগী মীওই অসিনা সমাজকী সেবা তৌবা হৌরকখি। মহাক্না মণিপুরদা অহানবা ওইনা মণিপুর কোওপরেটিভ মুভমেন্টশিং হৌদোকখি। মতম অদুদা মণিপুরগী মীওইশিং কান্নবা স্কুল কয়া অমা লিংখৎলমখি। লোয়ননা পোলিটেক্নিক স্কুল অমসু লিংখৎখি। মসিগা ইরোয়ননা মফম কয়াদা শান্ন খোৎনবগী ক্লব কয়া লিংখৎপদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরমখি হায়খি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সি ওফ কলচরগী লাইব্রেরিয়ান ডাঃ থৌনাওজম খোমদোন সিংহনা হায়খিবদা মহৈরোয় শেমদনা সমাজ শেম্না য়ারোই। ঙসিগী লমদম অসিদা শরুইরবা অচৌ অশাং ওইরিবা কয়া অসি লাইব্রেরিগী মতেংনা পুন্সিদা মায় পাকখিবা য়াওখিদবা নত্তে। পুৱারিগী তাঙ্কক কয়াদা থোকখিবা থৌদোক কয়াদা লাইব্রেরিগী পুৱারিদা থেংথাং কয়াদা চৈনা ফংখিদবা নত্তে। অসুন্না শাংলবা চহি কয়া অসিদা লাইব্রেরিগী পুৱারিগী ঈচেল লেপখিদনবা অকনবা থৌদাং অমগা লোয়ননা লাইরিক কয়া অমা কনবা য়াবা কললেহৌরবা মতুংদা লাইরিক কয়া অমা তুংগী মীরোলদা কান্নবা পীনবা তাশিন খোমজিল্লগা থন্নবা অফবা লাইব্রেরি কয়া অমা লিংখৎপা মথৌ তাই। মসিগা লোয়ননা মণিপুরদা লৈরিবা খুল খুল খুদিংমক্তা লাইব্রেরি থন্না মথৌ তাই হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল অহোংশাংবম সুকুমারনা লৈখিদ্রবা ডাঃ হুইরোংবাম অটুলসনাগী মরমদা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লন্দুনা লাইব্রেরিনা মহৈরোয়শিং অমসুং সোসাইটিদা পীরিবা কান্নবা কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু থমখি।

জুদিসিয়েল কষ্টদিদা লৈরিবা কংলৈপাল শিংজমৈ পুলিসনা রিএরেষ্ট তৌখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ তোঙান তোঙানবা ক্রিমিনেল কেস কয়াগা মরি লৈননা হৌজিক হৌজিক জুদিসিয়েল কষ্টদিদা লৈরিবা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টিগী লুচিংবা সাপম কংলৈপাল এলাইজ চিংলেন এলাইজ সরত (৩৮) অপোকপা শ্যামশুন্দর শিংজমৈ পুলিসকী কেস অমগা মরি লৈননা ঙসি পুলিস ষ্টেসন অসিনা রি এরেষ্ট তৌখ্রে।

হৌজিক হৌজিক জুদিসিয়েল কষ্টদিদা লৈরিবা সাপম কংলৈপাল হৌখিবা জুলাই ২১ গী নুথিল পুং ৫.৩০ রোম তবা মতমদা থঙ্গাল বজারদা লৈবা মনোজ কুমার জেইন (৫৩) অপোকপা শোভাংচন জেইন কৌবা অমদা হৌখিবা জুলাই ১২, ১৩ অমসু ১৭ ত্র মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টিগী মায়কৈদগী টেলিফোন কোল তৌদুনা সিভিল জজ, সেনিয়ার দিভিজন এন্দ হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা মহেন্দ্রকুমার জেইন, জিটালাল জেইন অমসুং জায় সিংহ কৌবা থঙ্গাল বজারদা লৈবা মীওইশিং অসিগা লমগী দিস্প্যুটকী মতংদা লৈবা কেস অমগা মরি লৈননা মীওইশিং অসিগী ফেবরদা মহাক অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংদা কিহন খঙহনবগী থৌওংশিং চথরকখিবগী কেস অমগা মরি লৈননা ঙসি সিটি পুলিসনা সিজেএম ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টত্র ঙসিদগী থা অসিগী ২৪ ফাওবা জুদিসিয়েল কষ্টদিগী রিমান্দ পীনবা প্রেয়ার তৌরকখি। লোয়ননা কোর্টনসু জুদিসিয়েল রিমান্দ অদু পীখি।

সাপম কংলৈপাল কেস অসিগা মরি লৈননা জুদিসিয়েল রিমান্দ পীরবা মতুংদা শিংজমৈ পুলিসনা হৌখিবা চহি ২০১৩ গী নভেম্বর ২১ দগীনা ২২ ফাওবা পুং ২৪ চুপ্পা মণিপুর মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী টেরিটোরি মনুংদা লৈবা লমগী শরুক খরা ম্যান্মারদা পীথোকখি হায়বগী মায়োক্তা জেনরেল ষ্ট্রাইক লাওথোকখিবা অমগা মরি লৈননা রি এরেষ্ট তৌখ্রে।

চুঙমলিয়ু রিয়ামৈ মীশি সিবিআইদা শিন্নদুনা থিগৎহনবিয়ু

ঃ জেএসি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ হৌখিবা আগষ্ট ১৭ তা মোইরাংদা লৈবা মপুরোইবগী য়ুমদা থৌরি য়ান্দুনা শিবনি হায়বা য়াম্না চিংনিংঙাই ওইবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবী নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা থৌপুমগী দুইথাংজাং গোইতংদগী চুঙমলিয়ু রিয়ামৈ মীশি অসি সরকারনা অথুবা মতমদা সিবিআইদা শিন্নদুনা থিগৎহনগদবনি। মীশি অসিগা মরি লৈননা চংশিনখিবা খোংজংদা অশোক অপন নংখিবশিংগী কম্পেন্সেসন সরকারনা পীগদবনি। লোয়ননা মরাল লৈবা পুলিস পার্সনেলশিং টার্মিনেট তৌগদবনি হায়না মীশি অসিগা মরি লৈননা শেমখিবা জেএসিগী ৱাঙাংলোয় পান্তি গোলমৈনা ঙসি লাঙ্গোল তরুং ভিল্লেজকী কম্যুনিটি হোলদা পাংথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তনা হায়খিবদা মীশি অসি গা মরি লৈননা মহাক্কী মপুরোইবা কোঞ্জেংবম জেক্সন পুলিসনা ফাদুনা জেলদা লৈখ্রে। অদুবু মীশি অসিগী মতাংদা মমাংদা জেএসি অমসুং মণিপুর সরকারগা য়ান্নখিবশিং ঙসি ফাওবা থবক ওইনা পাংথোকপা লৈত্রি। মীশি অসিগা মরি লৈননা জেএসিগী মায়কৈদগী সরকারদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা য়াওরিবা পোইন্ট ৩ ঙসি ফাওবা সরকারনা থবক ওইনা পাংথোক্তনা লৈরিবা অসি য়ানিংদে। মীশি অসিগা মরি লৈননা ফাদুনা লৈরিবা জেক্সনগী জবান অথুবদা লৌদুনা চার্জ সিট ফ্রেম তৌদুনা সিবিআইদা শিন্নগদবনি, মীশি অসিগা মরি লৈননা আগষ্ট ২২ দা সরকারদা মেমোরেন্দম পীশিন্নবা অমসুং মীয়ামগী খোংজং চংশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসকী মায়কৈদগী ৱার্নিং অমত্তা তৌদনা খোংজংলোয়শিংদা মোপ বোম, টিয়ার গ্যাসনচিংবা কাপশিন্দুনা শোকহনখিবা মীওই ১৪ অদুগী কম্পেন্সেসন সরকারনা পীগদবনি অমসুং শোক্লিবশিং অদুগী মনুংদা পুন্সি চুপ্পা শোয়নাইরগদবা মীওইশিং য়াওরিবশিং অদু সরকারনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চংগদবনি।

মীয়ামগী খোংজং অদুদা মীওই কয়া অশোক অপন নংখিবদা চেন্নবা পুলিস পার্সনেলশিং থবক্তগী সস্পেন্দ তৌবগা লোয়ননা মখোয়গী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌদুনা মতুংদা মসিগুম্বা থবক অসি অমুক হন্না তৌবা য়াদে হায়বদু খঙহনগদবনি। মীশি অসিগা মরি লৈননা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং মণিপুর সরকারনা লৌখৎত্রবদি জেএসিনা লুপ কয়াগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী খোংজংশিং চংশিন্নবা শেম শারে হায়খি।

অন্দ্রোগী কাষ্টুরভা গান্ধি বালিকা স্কুল খ্বাইদগী ফজবা স্কুল বিল্ডিং ওইহনগনি

ঃ শ্যামকুমার

থৌদাং পাউমীদগী,

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ অন্দ্রো কেন্দ্রগী মনুং চন্না অন্দ্রো মচেংপাৎতা লৈরিবা কাষ্টুরভা গান্ধি বালিকা স্কুল অসি নিংথিজরবা খ্বাইদগী ফজরবা স্কুল বিল্ডিং লৈবা স্কুল ওইহনগনি হায়না মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি খুমনদা এমএলএ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা শাবা য়ুথ ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসনগী নৌনা শাবা ক্লব বিল্ডিং অমা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নরদুনা অন্দ্রো কেন্দ্রগী এমএলএ ওইরিবা মণিপুর সরকারগী ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন, মহুদ অমসুং টাউন প্লান্নিংগী মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা হায়, অন্দ্রো অসি মালেমগী ওইবা মেপতা য়াওবা ঙম্লে। অন্দ্রো কদায়দা লৈবগে হায়বা মীয়াম্না থিনবা হৌরক্লে। অন্দ্রোগী মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা মুৎত্রবা মৈবু থিবা লাক্লরে। অন্দ্রো খুলগী অরিবা মতমদগী চৎনরক্লবা চৎনবী অদু ঙাক্লা লৈরি।

অন্দ্রো খুলদা ফোরেন টুরিষ্ট য়াওনা য়াম্লবা মীয়াম্না লাকপনা খুল অসিবু হিরম খুদিংদা চাওখৎহন্নবা হোৎনরি। টুরিষ্টশিংনা লাকপদা অন্দ্রো খুল অসিদি অসুক্কী মতিক ফজে হায়বা উৎথোকসি। অন্দ্রো খুলগী মফম খুদিংমক্তা উৱা নিংথিনা থাদুনা হৌহনবা, লম্বী নিংথিনা শেম্বা, মৈ নিংথিনা থানবা তাই। থকশি খকশি নায়বা, লাক্লিবা ফোরেন টুরিষ্ট য়াওনা টুরিষ্টশিংবু নিংথিনা হরাও তরান্না ওকপা, অহল্লোনবু ইকাইখুন্নবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা মখা তানা হায়, ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না তুংগী মীরোলবু নিংথিনা এদুকেসনগী মঙাল পীনবা হোৎনসি। অন্দ্রো খুলগী লম্বী কয়া নিংথিনা কয়লাস থাবগী থবক লোয়শিল্লগনি। লম্বী কয়া কয়লাস থাবা লোইশিল্লক্লে। কেন্দ্র অসিগী মনুংদা লৈবা মফম কয়াগী লম্বীশিংসু *(মখা লাঃ ৪দা)*

সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটিগী খোংজং এইমসনা মপুং ফানা শৌগৎলিঃ প্রেমচান্দ

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ লমদম অসিদা লৈরিবা মীতৈ / মৈতৈশিংবু ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা য়াওহনগদবনি হায়না সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটিনা চংশিল্লিবা খোংজং অসিদা এইমসনা মপুং ফানা শৌগৎলি। লোয়ননা খোংজং অসিদা এইমসসু য়াওশিন্দুনা হেন্না কনবা খোংজং চংশিন্নবা শেম শাবা লোয়রে হায়না মহৈরোয় লুপ অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট সাইখোম প্রেমচান্দনা ঙসি লুপ অসিগী ওফিসতা পাংথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা মশিং য়ামজদবা ইন্দিজিনস পিপল ওইরিবা মীতৈ / মৈতৈশিংবু কন্নবা অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি ফুরুপ অসি ভারত সম্বীধানগী মখাদা সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চনবা নত্তনা অতৈ লম্বী লৈতে।

মশিং খঙদনা চংশিল্লক্লিবা মীতোপ মীয়ানচাশিংগী মখুৎতগী ইন্দিজিনস পিপলশিংবু কঞ্জনবা সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা মীতৈ। মৈতৈশিংবু চনবা হায়বসি য়ান্না তঙাইফদবা অমনি। মণিপুর হায়বসি ফোরেষ্ট ত্রাইবশিংগী মনুংদা অমনি হায়না সেন্সস ওফ ইন্দিয়াগী ১৮৯১ গী রেকোর্দতা য়াওরিবনি। বৃটিশনা লোয়লম চল্লিঙৈ ১৯৩১ গী সেন্সসতা মশানা সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চল্লম্বনা মণিপুরদা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুং ১৯৫০ গী সেন্সসতা মীতৈ / মৈতৈশিং অসি সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা য়াওফম থোকই। অদুবু করিগীদমক য়াওখিদবনো হায়বদা মীতৈ / মৈতৈশিংদি মতমদুদা হিন্দু লাইনিং লৌরকপদগী অকনবা শাফু অমসুং মতম অদুগী ওইবা খুন্নাইগী ইথিলনা খনখিবনা য়াওজররোই হায়দুনা জেনরেল কেটাগোরিদা লৈখিবগী ৱাফম লৈরি। হায়রিবা ইথিল অদু অসুক্কী মতিক কনখি। মশানা মশাবু কাওথোক্তুনা মৈতৈদি অর্জুননি হায়না খনখি। হিন্দুগী মহাভারত্তা য়াওবা আর্জুনগী চাদা নাওদানি হায়নফাও ব্লেম তৌখি। পুন্নমক্তুগী মহৈদি হৌজিক্কী মীরোলনা হংলি।

মীতৈ / মৈতৈশিংনা মণিপুরগী য়েলহৌমীনি হায়জরগসু সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা য়াওহৌদবনা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী ওইবা ৱাহঙ্লোক লৈতে অমদি ঙাক্লে ফংদনা ইন্দিয়াদা পুল্লবা মতুং য়াম্লবা চহি ৭৩ রোম অসি লাকখি। মীতৈ / মৈতৈনা সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চল্লবদি হান্না সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চন্দুনা লৈরম্বশিংনা মখোয়গী চাকথুং মাংখিগনি হায়বগী পাখৎফম থোকই। য়ুম্লোন্নবা অসাম অমসুং নাগালেন্দনচিংবদা তৌবগুন্না কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ১৬ (৪) গী মখাদা হিল ত্রাইব, প্লেন ত্রাইব, বেকৱার্দ অমসুং এদভান্স ত্রাইব হায়না মথং শিংনা খায়দোক্তুনা চাকথুং তোঙান তোঙাননা খায়দোক্তুনা মণিপুরদসু থম্বা য়াই। মরম অদুনা মীতৈ। মৈতৈনা অথুবা মতমদা সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চন্দুনা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনদা মণিপুরগী য়েলহৌমী কাংলুপ ওইনা শকখঙদুনা মুৎখিদনবা মীতৈ / মৈতৈশিংবু সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটিনা চংশিল্লিবা খোংজং অসিদা অপুনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয়শিংগী লুপ (এইমস) না শরুক য়াগনি। লোয়ননা য়েলহৌমী কন্নবা হোৎনবদা লৌফম থোকপা থৌদাং লৌগনি হায়খি।

আইন কায়না চংলকপদগী জেলদা লৈরকখিবা রোহিংয়া ৪ ম্যান্মার ওথোরিটিদা খুৎশিন্নখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ হৌখিবা চহি ২০১৩ দা মণিপুরদা আইন কায়না চংলকপদগী চুরাচান্দপুরদগী ফারগা জেলদা লৈরকখিবা রোহিংয়া মুস্লিম ৪ ঙসি মণিপুরগী বোর্দর টাউন মোরেদা ম্যান্মার ওথোরিটিদা ওফিসিয়েল ওইনা খুৎশিন্নখ্রে। রোহিংয়া ৪ খুৎশিন্নবগী থৌরম অদু ঙসি ইন্দো ম্যান্মার ফ্রেন্দসিপ ৱিদজ ময়াগী ম্যান্মারগী ইম্মিগ্রেসন ওফিসতা পাংথোকখি।

ম্যান্মারগী তমুদগী ইম্মিগ্রেসন ওফিসিয়েলশিংনা ইন্দিয়াগী মখোয়গী ফম মান্নবশিং অমসুং মণিপুর পুলিসকী ওফিসিয়েলশিংনা ফোর্মেলিটি লোয়রবা মতুংদা রোহিংয়া মুস্লিম ৪ অদু মখোয়গী কষ্টদিদা লৌশিনখি। রোহিংয়া ৪ অদু খুৎশিন্নবগী থৌরমদা ম্যান্মার ওফিসিয়েলগী মায়কৈদগী ইম্মিগ্রেসনগী দিপ্যুটি দাইরেক্তর ওং ময়ো, তমু দিষ্ট্রিক্টকী টোপ পুলিস ওফিসারশিং য়াওখি। অদুগা ইন্দিয়াগী মায়কৈদনা বোর্দর, মোরে সব দিভিজনেল পুলিস ওফিসার এল মেঘবর্না, ইম্মিগ্রেসন ওফিসার এসআই টিকেন অমসুং মোরে পুলিস ষ্টেসনগী ওসি লেটখোহাও ভাইফে য়াওখি। আইআরবি অমসুং মণিপুর সেন্ট্রেল জেলগী টিম অমনা শজিৱাদা লৈবা মণিপুর সেন্ট্রেল জেলদগী ম্যান্মার *(মখা লমায় ৪দা)*

হৱাদা লৈরাংদো

থক্লবা ঈশিং ফংহনগনি হায়রিসিবু থাইনা হায়রম্বা ঈশিংদু অদুম ওইদোইরো ?



এদিটোরিয়েল, লৈবাক্কী পাউ- মপানগী পাউ, ষ্টেটকী পাউ, খঙজিনবদা কান্নবা, থৌদাং স্পোর্টস